# অচুম্বসিবু লৈরিবরা – ৯১

ডা. এল শশীকুমার, য়ূরেম্বম

***মণিপুরগী*** মীচম মীয়াম্না চহী ১৫ গী কোংগ্রেস লৈঙাক পামদ্রে হায়বা ফজনা উৎখ্রে। অদুবু মপূং ফাবা অচুম্বা খোঙথাং অমদি তরু তরুনা ময়েক শেংনা ফোঙদোকপদি নত্তে। অওনবা, অহোংবা অনৌবা চপ চাবা কোংগ্রেস লৈঙাক মুথৎপদি ঙমখিদ্রে। মসিমক পূন্নমক্কী লাইবকথিবনি। কোংগ্রেসকী মতিক চাবা মায়থীবা পীবা ঙমগদবা পোলিটিকেল পার্টি হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদা বি জে পিনা ওইখি। অদুম ওইনমক বি জে পিসু মখোয়গী লাংলৌদা টিকেট পীথোক পীশিনগী মতমদা শঙ্গ-পঙ্গ, ঐগী-মীগী হায়বা নুংগী অরোনবা পোলিসিদা শোয়খিদবদি নত্তে। মসি পূন্নমক মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না ফোঙনা ঙাঙনখিবা পূন্নমক অচুম্বনি। মদুমক্কী অশোয়বনা মপূং ফাবা লৈঙাক শেম্বা ঙম্বগী পাঙ্গলদা খুরৌ থাংখিদবদি নত্তে।

ইন্দিয়াগী মনুংদা চৎনরম্বা থৌশিলগী ৱাংমদা অওনবা অনৌবা শক্তম ময়েক শেংনা ফজনা মীচম মীয়াম্না ফোঙনা উনখ্রবনি। কোংগ্রেসকী ২৮ কাবনা লৈঙাক শেম্বগী মহুত্তা ২১ কাবা বি জে পিনা লৈঙাক শেমখিবা মীয়াম্না ঙক্তবা য়াওদে। চহী মতম শাংনা নম্ফু লৈঙাক তৌরকপা, নম্ফুগী শক্তম লৌরকপা বি জে পিনা নমদুনা লৈঙাক শেমখিবদা কোংগ্রেসনা করিসু খূৎ থাবা ঙমখিদবসিমক অনৌবা অওনবা পুৱারীগী তাঙ্কক অমনি। কোংগ্রেসকী ২৮ কাবদগী কোংগ্রেস মেম্বর অমা নাচুংদনা চোঙথোরক্তুনা বি জে পিদা য়াওশিনবা ঙক্লা-ঙক্লা অনৌবা অওনবা অমা লাকখ্রে। মসিমকসু অওনবা অহোংবা অমা নত্তে হায়দবা য়ারোই। মসি ঙম্নমক্কী মথক্তা বি জে পিনা মপান্দগী এন পি পি ৪, এন পি এফ ৪ লৌশিনবসিমক অনৌবা লৈঙাক অমনি। মসিগী মতাংদা হন্দক্কী বি জে পিগী লৈঙাকসি মখোয়গী পান্দমগী চপ চাবা থবক পায়খৎপদা হেন্না হেন্না খুরৌ থাংবা য়াওরোই হায়নিঙাই লৈতে। মণিপুর থুগাইরগা অনৌবা হেন্না চাউবা নাগালেন্দ অমা শেমগনি হায়বা এন পি এফ ৪ য়াওশিনবসিমক তশেংনা খুরৌ অমদি লৈরমলোই হায়বদা খরা লুনা থোক্কনি। মসিগী মতাংদা অপীকপা ঈচেল মচানা অচৌবা ঈচেলদা তিনখিবদা ঈচেল মচা মাঙখিবা হায়বসি পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা মীয়াম্না উখ্রে। ঈচেল মচা খুদিংমক খঙনা খঙনা তুম্না মাঙখিবা হায়বসি মমাঙথক্কী মীয়াম্না ফজনা খঙনখ্রে।

মসি ঙম্নমক্কী মথক্তা লৈঙাক অমা লাকখ্রবনিনা কোংগ্রেসকী নুংগী ওইবা পোলিসি খরদি অরেম্বা তাখ্রে। মসিগী মতাংদা তাক্লরুবা, হংনরুবা নাইদনা মীচম মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙনরে। মতম অমদা কোংগ্রেসকী এম এল এ ৪০ গী মথক্তা লৈঙাকপদা মীয়ামগী অপাম্বা ফজনা পাঙথোকখিদবগী ফল অদুনা মমাঙথক্কী ইলেক্সন্দা কোংগ্রেস মপূং ফাবা লৈঙাক শেম্নবগী মীহুৎ কারক্তবসিমক অচৌবা খুদম অমনি। অদুবু মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না অনৌবা অহোংবা লৈঙাক অমা পাম্মী হায়বসি ফজনা খঙনখ্রে। বি জে পি হায়বা পার্টি অসি সিট ৬০ গী মনুংদা ২ খক কারক্তুনা লৈঙাক লৈরম্বনি অদুবু থাজবগী ৱাংমদা ২১ কারকপা হায়বসি মীয়াম্না বি জে পি নৎত্রবসু কোংগ্রেস পামদ্রে হায়বসি ফোঙনা খঙনখ্রে। মসিগী মথক্তা বি জে পিনা মীচম মীয়ামগী অপাম্বা অনিংবা থুংহন্নবা হোৎনবদা মখোয়গী মনুংগী সেনিয়র খরদি য়ানীংদা-য়ানীংদা ফম পায়দবসি অচৌবা কৎথোকপা শক্তম অমনি। মরম খরদগী মন্ত্রি ফংহৌদ্রবা খরদি চোঙথোকনীংবা লৈনা লৈনা পুকচেল চাউবা শাদুনা খাঙনদবা নত্তে। মতাংসিদা কোংগ্রেসকী ও ইবোবীনা বি জে পিদগী এম এল এ ৭ লৈননবা থৌরাং তৌরম্বগী ঈহুল ফংনদবা নত্তে। মসিগী মথক্তা বি জে পিনসু কোংগ্রেসকী মনুংদগী এম এল এ ১৪ গী আশা তৌরম্বা য়াই। অদুবু পোলিটিক্স হায়বসি নম্বর গেমনি। মতম ঙাইঙমদবদগী নাকল অনীমক ৱানা চাক্লা খাঙনদবদি নত্তে। মসিমক মীয়াম্না ফোঙনা খঙনখ্রবনি। মীৎয়েং অমরোমদা লৈঙাক পায়বা পার্টিদা য়াওদ্রবদি নুংঙাইতবগী ফল মমাঙথক্কী ও ইবোবীগী লৈঙাক্তা কোংগ্রেস এম এল এ অমদি ও ইবোবীগী লৈঙাক্লা পাড়া অমদি ফজনা খঙনখ্রে। সেন্তরদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়বা মতমদা ও ইবোবীনা য়াম্না ৱানা খাঙনখিবা কোংগ্রেসকী মন্ত্রি, এম এল এশিংনা পাড়া অমদি ফানখ্রে। মসিমক্লা মশীং শুনা কাজরক্ত্রবসু নমদুনা অঙম্বা শক্তি শীজিন্নদুনা লৈঙাক শেমখিবা অসিমক অচৌবা বি জে পিগী শক্তিনি। মসি খঙলদুনা কোংগ্রেসকী এম এল এ, মন্ত্রিশিংনা বি জে পিদা য়াওনীংবা হায়বসি মশানা তাজবনি। মসি ঙম্নমক্কী মথক্তা কোংগ্রেস মনুংদগী অনী চোঙথোরকপা অঙকপা নত্তে। মসিগী মথক্তা মথং মথং চোঙথোরক্লবা হোৎনদবা নত্তে।

বি জে পিনসু চোঙথোরক্তুনা অপূনবা লৈঙাক শেম্নবগী নম্বর মশীং শুবা শোয়দনা পাফম থোকই। মদুম্না চথুরক্লবদি এন বিরেনগী অনৌবা অহোংবা লৈঙাক্তা চাউনা মায় পাক্লবগী পোরম ওইগনি।

মতাং অমদা এন পি পিগী মনুংদা হন্দক ঈরাং অমা মোংলকপা হায়বসি অনৌবা লৈঙাক্কী হৌনবীনি। অদুবু মরক অসিদা কোংগ্রেসকী এম এল এ অমা চোঙশিল্লকপা হায়বসি এন বিরেনগী অচৌবা মায় পাকপনি। এন বিরেনগী লৈঙাক অসিমক নোংমদি শোয়দনা বি জে পিগী মপূং ফাবা লৈঙাক অমা পুরকপা ঙমগনি। মতম অদুদদি পার্টি মচা মচা খুদিংমক অমত্তা ওইনা পুনশিন্নরক্তুনা অমত্তা ওইখিগনি। মসিমক মণিপুরগী পোলিটিক্সকী পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা মীয়াম্না ফজনা খঙনখ্রে। অপূনবা শক্তম অমা শাগৎমিন্নবদা পূন্নমক্কী মতেং চঙই। পোলিটিক্সতা ওপোজিসন্দা লৈবা হায়বসি নুংঙাইবদি নত্তে। মসিমকসু মমাঙথক্তা ফজনা খঙনখ্রে। হন্দক্কী এন বিরেনগী লৈঙাক অসিনা কাঙলোন খরদং চুম্না চথুরক্লবদি মণিপুরদা বি জে পিগী মফম চাউনা কনবা ঙমগনি। পার্টি মচা মচানা মন্ত্রি ফম পায়দুনা মুক্লবদসু পাঙ্গল করিসু লৈরোই। ওপোজিসন্দা লৈবা হৈনদবা কোংগ্রেস এম এল এ শোয়দনা লৈঙাক পায়বা বি জে পিদা চোঙশিন্নরক্কনি। মসিগী মতাংদা এন পি এফ, এন পি পিনা ঙসিমক খুদোংচাবা ফংনরিসি খোংফম শেমজনবগী তাঞ্জানি। মণিপুর মীয়াম্না পাম্নরিবসি ইখঙ খঙনৈ। মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা লৈবা হায়বসি অফবা খোঙথাং নত্তে। ও ইবোবীগী লৈঙাক মতমদা মখোয় খরনা মনীং তম্না তৌনীং তৌনীংবা তৌরুবদগী মীচম মীয়াম্না শক্তি শিন্নরক্তবা হায়বসি মীৎমাংদা ফজনা উরে। নাকল অমরোমদা মাগী মাগী ওইজনাম খন্দুনা টিকেট পীবদা শঙ্গ-পঙ্গ, ঐগী মী-মাগী মী খায়রুবদগী কোংগ্রেসসু বি জে পিসু দষা তাবা পূন্নমক্লা খঙনরে। ঙসি লৈঙাক পায়রিবা খুদিংমক, মন্ত্রি ওইরিবা খুদিংমক মঙলানগী মন্ত্রিগুম শোয়দনা খল্লমগনি। মরমদি পুন্সিগী থাজদ্রবা ঙাক্তনি। অদুবু মাগী মাগী মতম য়ৌরদি ইস্তোক্তুনসু য়াদে। থাজদনা মন্ত্রি ফংলে। থাজদনা মঙলানগুম থবক পায়নরে। মতম অসি য়ৌবা ফাওবা পেন্নদবদগী চোঙথোক চোঙশিন তৌরবদি দষাগী মথক্তা দষা তাবা তাবনি।

হীরম অসোমদা সেন্তরগী বি জে পি লৈঙাক্লা এন বিরেনগীদমক হিমালয় চীংজাওগুম লেপ্তুনা লৈরিবসিদা য়াওশিন্দুনা অনৌবা অওনবা মণিপুর অমগীদমক পোলিটিকেল পার্টিশিংনা চনিং তানা খন্থবা মতম ওইরে। মসিগী মতাংদা তশেংনমক ঙসি কাজরক্লিবা এম এল এ খুদিংমক মশা মশাগী পার্টিগী পান্দম অমগী মখাদা কারকপা নত্তবা মতম মতমগী টিকেট ফংনদবদগী প্লেটফোর্ম থিরকপনি। অদুবু লাইবক ফবদগী নত্তে ভোট কান্নরক্লিবশিং মীচম মীয়ামগী অপাম্বা অনিংবা খুদিংমক্লা লমজিং ওইরগা কান্নরকপনি। হন্দক্কী ইলেক্সন অসি পুৱারীগী অনৌবা তাঙ্কক অমনি। ভোটর অমদা লুপা ২০০০ দগী তাদনা পীদুনা লৈরগা কানরকপনি। অমত্তা তরাই তরাই য়ৌনরকপা নত্তে। মরম অদুনা মীয়ামগীদমক থম্মোয় শেংনা থবক পায়খৎহৌদ্রবদি মথংগী ইলেক্সন্দা করম থোক্লগদগে হায়বা খন্থবা অমসু চঙই। লৈঙাক পায়বা পার্টি মনুংদা য়াওজরবসু মন্ত্রি ফম পায়নদ্রবদি খুদোংচাবা ফংনদ্রবা চকনি। মরম অদুনা ও ইবোবীগী মতমদা কোংগ্রেস এম এল এ কয়াগী থেঞ্জাং কয়ারক ঈহৌ লাকখিবদুনি। অদুনা ওপোজিসন্দা লৈবসি কয়া খুদোংচাদে হায়বসি কোংগ্রেসকী এম এল এশিংনা খঙনরবনি। অদুনা নোংমদি শোয়দনা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিদা চোঙশিল্লক্কনি। মসি মাঙজৌননা খঙবদগী কোংগ্রেসকী শ্যামকুমারনা শিবা কিদনা মাঙজৌননা বি জে পিদা য়াওশিন্দুনা মন্ত্রি ফংবসি থৌনা ফবা, ঙক য়োল্লগা সেনাপতি ফংই হায়বদুনি। 'চাসি মরু, হুন্দোকসি মতোং' হায়বদু ঙসিদি থোক্লরে। অদুবু এন পি পি, এন পি এফনচিংবা বি জে পি নত্তবা খরসিনা বি জে পি ওনদ্রিঙৈ খন্থবা খরদি চঙই। অদুব অনৌবা লৈঙাক অসিদা পার্টি মচা খরদি ওল্লে হায়বদা অহিং অমা চঙবা নত্তে। মরৌ লৈনা লৈঙাক পুমিন্নবদি মায়কৈ খুদিংমক্তা অফবা ওইরোই। এন বিরেনগী অনৌবা অওনবা লৈঙাক অসিদা মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা থবক খরদি মওং তানা তৌবিরক্কনি হায়বসি মীয়ামগী থাজবনি। মীয়ামগী থাজবা মাঙহন্দবা হায়বসি অফবা লৈঙাকনি। ভোট কাদ্রিঙৈ টিকেট পীবদা ঐগী ঐগী মীশক খল্লুবদগী দষা তাবা য়াওদবা নত্তে। মসিসু অনৌবা পাড়া অমনি। এন বিরেনগী লৈঙাক অসি চহী ২/৩ গী মনুংদা তোপ তোপ্পা মফম অমদি শোয়দনা ওইহল্লক্কনি হায়বসি মীয়ামগী থাজবনি। থাজবা মাঙহন্দনা অপূনবগী শক্তম উৎলসি। ওল্লক্লিবা য়াওলগী পুংলোন খঙবা ঙাক্তনি।

# কন্ট্রেক্টর ইকনমিনা কাঙলুপ খাইদোক্লবা খুন্নাই

— আর কে খুমন —

***লৈবাক*** খুন্নাইদা অনেম্বা থাক্কী কাঙলুপ অমসুং অৱাংবা থাক্কী কাঙলুপ হায়বসি হেক হেক থোক্লকই। অৱাংবা থাক্কী কাঙলুপ অসি লৈবাক্তুগী লৈঙাকলোইশিং, ফমদোংলিবা অঙম অথৌ অমসুং শেঞ্জাউ পায়বশিংনা ওই অদুগা অনেম্বা থাক্কী কাঙলুপনা লায়রবা মীচম মীয়ামনি। অৱাংবা থাক্কী কাঙলুপনা অনেম্বা থাক্কী কাঙলুপশিংগী হকপু মৎপীদুনা শুদৎ নৈহৎপীদুনা মখোয়বু খুন্নাইদা অৱাবা ফীভম অমদা নমথদুনা থম্বী। অসিগুম্বা অৱাংবা থাক্লা অনেম্বা থাক্কী কাঙলুপ্পু থওই উশিৎতবা নমথবদগী থৌওং অসিনা অসুম মখা চত্থরকপদা অনেম্বা থাক্কী কাঙলুপ হায়বদি মীচম মীয়াম্না খঙবা ঙমদবদগী মুকখাইনবসিসু হেক হেক থোক্লকই, অরোইবদদি অনেম্বা থাকনি হায়রিবা লাঞ্জদবা মীচম মীয়ামগী পাঙ্গলনা অৱাংবা থাকপু লাকথুদুনা খুন্নাইদা অওনবা পুরকপগী থৌদোকসি থোক্লকই। কাঙলুন অনী অসি মুকখায়নবদগী মালেমদা অচৌবা লাঞ্জাও কয়া থোকখ্রে। কুমজা ১৭৮৯ দা মাইচৌ Rousseau গী লিবরটি (নীংতম্বা), ইক্বেলিটি (মান্নবা), ফ্রেটর্নিটি (হিংমিন্নবা), দিমোক্রেসি (মীয়াম্না লৈঙাকচবা) হায়বা আইদিওলোজি (ৱাখল্লোন) দা যূম্ফম ওইদুনা হৌখিবা ফ্রেঞ্চ লেভল্যুসন অসিসু কাঙলুপ অনী অসি মুকখায়নবদগী থোকখিবনি, লোয়ননা রসিয়াদা থোকখিবা ভি আই লেনিনগী লিচিং মখাদা চত্থখিবা ওক্টোবর রেভল্যুসন হায়না খঙনখিবা য়াওল ঈহৌ অদুসু অমনি।

মণিপুর খুন্নাইদদি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মীওইবা মরক্তা থাক খাইদোক্তুনা য়েংথিনবগী মহুত্তা নুংশি চান্ননা অরৈ লৈতা মতেং পাঙনদুনা হিংমিন্নদুনা লাকখি। অদুবু মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা চঙখিবদগী হায়রিবা থাক অনী থোক্লক্তুনা মীয়ামগী মরক্তা ময়ায়দা ময়ি অমা চৎপা হৌরকখি। মসিমক্লা মণিপুর খুন্নাইদদি অদুক হাক্লা খুদোংথিবগী চাংদু য়ৌবা ঙমদে। অদুবু মতম খরদা কাঙলুপ অনী অসিগী থাক অসি ময়েক শেংগৎলকপা অমদি অৱাংবা কাঙলুপ হায়বদি নুংঙাই য়াইফবা য়াইতোং ফমদোংবশিংনা লায়রবা অনেম্বা থাক্তা লৈরিবা মীয়াম্বু উশিৎ থওইদবা, মখোয়বু শেল খরনা শীজিন্নবগী থৌদৌ অসি ময়েক লাথোরক্লি।

কুমজা ২০০২ ফাওবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী চুপলি পায়রম্বা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা মণিপুরবু মখোয়গী মপুকথোক্কী মচা নত্তবনা চহীগী সান-গাই (শেনকাই) লীক্লা থাদরকপা, লোইশঙশিংদা থবক লৌবা থিংবনচিংবা চত্থরকখি। মসিনা মণিপুর মীয়ামদা নাকোয়ননা খাঙহল্লিবদি ইন্দিয়াগী মতেং য়াওদনা মণিপুরনা ষ্টেট অমা ওইনা লেপ্পা ঙমলোই হায়বসিনি। থৌশিল অসিনা মহৈ মশীন নীংথিনা তম্লগা লোইশঙদা থবক তৌজগনি খঞ্জবা মহৈরোয়শিংগী অচৌবা ৱাখল অদু অরেম্বা তাহনখি। থৌশিল অসিনা নহারোল কয়াগী পুন্সিবু ময়াই কাবা পোৎলমদা লাইচুহন্দুনা খুন্নাইগী লোকচপ অমদা নমদুনা পুশিনখি।

মখা তারকপদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা তুখিবগা কোংগ্রেসনা লুচিংবা লৈঙাক লাকপদগীদি মণিপুর ষ্টেটতা কোংগ্রেস লৈঙাক লৈখি। মসিদগীদি মণিপুরদা চাওখৎ থৌরাংগী শেমগৎনবগী মীংদা অচৌবা শেঞ্জাউ কয়া থাদরকখি, লোয়ননা মীয়ামগী ঈহৌ নমথবা ঙমদবদগী মীয়াম থেম্নবা অখন্নবা লুপা ক্রোর লিশীংনা খুজিং ওইবা অখন্নবা পেকেজ কয়া অমসু থাদরকখি। মসিদগীদি মতম শাংনা শেনমিৎলোনগী ইকং থোক্লুরবা লমদমসিদা শেমগৎ শাগৎনবগীদমক পায়খৎলক্লিবা থবক্কী কন্ট্রেক্ট, সপ্লাই লৌনবগী অচৌবা লাম্হেং অমা চঙশিন্নবা হৌনরকখি। কন্ট্রেক্ট, সপ্লাইগী শেনফম মণিপুরগী শেনমিৎলোনগী ফীভম লেপ্পা কন্ট্রেক্টর ইকনমি ওইরকখি। মতমসিদা ওইরিবা মণিপুরগী শেঞ্জা থুমজাদা হারবা লৈঙাক্লসু মখোয় মখোয়গী মীওই খরখক্তদা কন্ট্রেক্ট পীদুনা খুরুপ থাদুনা অয়ৌবী থাক্তা শেঞ্জা থুমজা তৌবা হায়বদি লম্বী শেম্বগী থবক লৌরগা লম্বী শেমদনা শেল লৌথোকখিবা, মহৈ লোইশঙ, অতৈ লোইশঙ কয়া শাবদা মতিক চানা শারমদবা, সপ্লাই তৌবদা অমল অকা খরা খোমজিল্লগা অফবা শাদুনা পীশিল্লম্লগা শেঞ্জাউ চবুন চবুন লৌথোকখি।

ঙসিদি কন্ট্রেক্টর ইকনমিদা মায় পাকখ্রবা মণিপুরগী মীওইশিং তেল্লবা মতম খরদা ফজবা যূম, অতাঙবা মখলগী মীরমদা শাবা কার তোংলে, ইন্দিয়াগী শেঞ্জাউ পায়বশিংগী ক্লবতা য়াওবা ঙল্লে। হৌজিক য়েংবিয়ু য়াম্না নহা ওইরিবা, মপা মপূনা কৈরাক থারম্বসু নত্তবা মশাগী চহী ৩০ দগী ৪০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই কয়াদি মীরমদা শাবা অফবা মখলগী য়াম্না তাঙল তাঙলবা কাঙ (ভেহিকল/কার) ইরায় লায়না লৈদুনা তোংনরে। মখোয়না কদাইদগী য়ামখ্রবা শেনফমশিংদু অতেনবা মতম অসিদা তানবা ঙল্লিবনো। হায়রিবা মীওইশিং অসিগী মরক্তসু খুন্নাইদা থনুং য়ৌনা শোক্লবা দ্রগ ললোনবসু য়াওরিবনি। মতম খরগী মমাঙদা মণিপুরদা য়াল্ল-য়াল্লবা দ্রগ ফাবদা মীয়াম্না মশক মুন্না খঙলবা অচৌ অশাংগী মচা মশু চেন্নৈ হায়না ৱা ৱা লাউনরিবদুনি। অৱাংবা থাক্কী ইনাক খুনবা কন্ট্রেক্টর ইকনমিদা মায় পাকখ্রবশিংনা শেল য়েন্দুনা ভোট লেপকনি, ভোটতা মায়পাক্লগা এম এল এ, মিনিষ্টর ওইগনি কন্ট্রেক্টর ইকনমিদগী হেন্না শেঞ্জাউ তানগনি। মখোয়দা লৈবাক্কীনি হায়বদা অফবা অমত্তা খল্লোই, তৌরোই, মীয়ামদি হিংবা ঙল্লগা হিংউ, ঙমদ্রগা শিখো হায়বনি।

মতাং অসিদগীদি মণিপুরদা অৱাংবা থাক্কী শেঞ্জাউ পায়বা কাঙলুপ অমসুং অনেম্বা থাক্কী লায়রবা হায়বা কাঙলুপ অনী অসি ময়েক শেংগৎলক্তুনা অৱাংবা থাক্কী মীওইশিং মশেল তিন্না তোৎনবা অদুগা নেম্বা থাক্কী লায়রবশিংবু শীজিন্নবা অমসুং হন্থনা য়েংবগী থৌদৌ কাঙলোন অসি থোক্লক্লি। থমজনীংলিবদি কন্ট্রেক্টর ইকনমিনা খুন্নাই অসিবু অনী থোক্লা থুগাইরগা মশেন মুক্লবা থোকহল্লি হায়বসিসু লাল্লোই। নাকল অমরোমদা শেলসু পায়দবা অচৌ অশাং মীচঙ লৈজদবা মীওইশিংনা কন্ট্রেক্ট নৎত্রগা সপ্লাই তৌদুনা মরেক মহাও খরা থোক্লা খুন্নাইসিদা হিংবা য়াগদ্রা হায়না মীঙোন্দগী মথোই কাদুনা শেল পুরগা থবক্তা থাদখিবা অদুগা শুখিবা থবক্কী মতম চানা লৈঙাক্লা বিল পীবিদবা, অচান মীরাই নাইনা বিল পীবদগী মীগী শেল শিংবা ঙমদবদগী ময়ূম ইস্খোল য়োনবদগী ময়ূম লৈজদবা ফাওবা য়াওরক্লি। কন্ট্রেক্টর ইকনমি অসিনা অনৌবা মীরোল অসিদা শুদনা নুংঙাইহন্নীংবগী ৱাখল অমসু পোকহন্দুনা শুনিং নোমনিংবগী হৈনবী অদু মণিপুর খুন্নাইদগী মাঙহল্লক্লি। হৌজিক মণিপুরদা অৱাংবা থাক্তা লৈরিবা মীওইশিংনা অনেম্বা থাক হায়বদি লায়রবা মীয়ামসি মখোয়গী চানবিবদা লৈরে। মসিনা মখা তানা অসুম চথুদুনা লৈরবদি কাঙলুপ অনী অসিগী মুকখাইনবগী লান থোক্লক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে মণিপুরদসু। মসিনি মণিপুরদা কন্ট্রেক্টর ইকনমিকনা পুথোক্লিবা পোখোকসি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মতমগী য়াওল

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**থায়না** মমাঙঙৈ হায়বদি মৈহৌরোলদগী হৌনা হৌজিক ফাওবদা চৎনরিবা চৎন-কাঙলোন, পুরক্লিবা মতমগী ঈচেলনা লেংলি-পাল্লিবা তাইবঙপানদা অমম্বা-অঙানবা, অওনবা শক্তম, ঋতু খোঙচৎনা পুরিবা অইং-অশা, অচুম-চুমদা, অমাঙবা পূন্নমক নোংগী মপৈনা পুদুনা চৎখি অদুগা অমুক লাকই লৈচিন নোংফাই থাংদবা তরু তনানবা অতিয়াদা। মতমনা পুদুনা চৎখি অরিবা কয়া অদুগা অমুক লাকই অনৌবা শায়োন ওইনা। মতমনা চাওখৎহল্লি, ময়েং তাহল্লি, অৱাবা-নুংঙাইবা পুরকই তাইবঙদা।

হৌজিক হৌজিক লমদম অসিদা মশা-মউ ফনা লৈনবগী চেকশিন থৌরাং ওইনা ফিজিকেল হেলথকা মরী লৈনবা থৌরম কয়া রেদিও অমদি টি ভিগী খন্ন নৈনবগী থৌরমদা খঙ হৈরবা ডোক্তর অমসুং স্কোলর কয়ানা এব্রেয়র্নেস পীরি। মসিগী ওন্না তৈনবদা লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহা কয়ানা মশানা মশাবু মাঙহঞ্জনবা লাং থাক্তুনা ময়াই কাবা পোৎলমশিং য়ু, টেব্লেট, খৈনি, জর্দা, নম্বর ফোর অমদি অতৈ মখল কয়াগী দ্রগশিং শীজিন্নরি। হায়রিবশিং অসি শীজিন্নবা থিংনবা ফনা কন্না হোৎনরবসু থিংবা ঙমদনা নোংমা নোংমগী শীজিন্নবা হেনগৎলক্লি। মণিপুরদা লৈরিবা শগোল মচা পোনি য়োকখৎসি হায়রবসু সরক্তা কোয়চৎ চৎতুনা লৈরি নিংথিনা য়োকপীদে।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ষ্ট্রিট ভেন্দরগী ৱাথোক, কোয়তান তাল্লি কোয়চেন চেল্লি। লম্বীগী মতাইদা য়োনবনা পোৎ হেন্না শিৎলি। লৈরিবা কাঙবুদসু মতম মাঙহন্দনা পোৎ চৈ লৈবা ফংহল্লি। মনুংদা পোৎফম ফল্লিবশিংগী মরক্তসু মখোয় মখোয়গী পোৎফমশিং অদু শান্দোক্তুনা মপান্দা পোৎ য়োনবসু য়াওনদবা নত্তে, মসিসু মতমগী য়াওলনি।

অনৌবা লৈঙাক্কী অনৌবা থৌশিল ওইনা পায়খৎলক্লি এন্টি করপসন, চীংদা চৎলসি, ফাইল পনবা য়াদবা। করপসনদি ইশা ইশাদগী হৌরকপনি। য়ারোইদবা থবকপু য়ানবা শেল পীবা, পীরবদি লৌবা তাবনি, পীদ্রবদি লৌবা ফংলোই। ঐগী শোয়দ্রগা লোইরে খন্নরি। অচুম অরান থিনদে। মীওইবগী মপোক অহাওবতা চানিংবা শুদি শুনিংদবা, নুংঙাইবদি পাম্বা হোৎতি হোৎননীংদবনা অয়াম্বনি। চীংদা চৎলো লাউরি কনানসু চীংদা চৎনীংদে, চীংমীসু তমদা লৈনীংই। তমদদি চানিংবা, শেৎনীংবা লোইনা ফংই। চীংগা তমগা মান্নবা খুন্নাই পুরকপগী মতম ঙাইবা তারি মতমগী য়াওলগী মনুং চন্না।

হৌজিক কম্প্যুটরগী চকনি। তৌগদবা থবক খুদিংমক হায়বদি ফাইলশিং কম্প্যুটরদা ফিট তৌদুনা থম্লবদি কনাদা ফাইল লৈ, পীশিল্লম্লিবা ফাইল অদু মতম কয়াম কুইরে খঙবদা ৱাদ্রবা মতমনি। গভর্ণমেন্টকী থবক লৌবা মতমদনা কম্প্যুটর নোলেজ লৈবা হায়রগা থবক লৌরি অদুবু থবক ওইনা পাঙথোকপদি কয়া উবা ফংনদে।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা*
*ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক, ইম্ফাল ইষ্ট*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৯

১। ''মৈতৈ অমা লাকই/থাঙ পায়দুনা লাকই/চিংনবা লৈতনা চঙখি/থাঙনা য়াল্লে গোবিন্দগী সিংহাসন্দা'' কবি কনানা হায়বনো?
২। ''ঙসি কৌবা নুমিৎতগী মাম্মবু ঐনা... বাবা কৌজরবনি।'' পরেংসি ক্ষেত্রি বীরগী নোভেল অমদগী লৌথোকপনি। করম্বা কেরেক্টরনা হায়বনো?
৩। ''সুখলাল জ্ঞান মাঙনা মিৎ উইশিল্লকই/...ৱা ঙাঙদনা ফমুংদা উতুপ তাবগুম হাইথরকই।'' পরেং অনীসিনা ক্ষেত্রি সুবদনীগী করম্বা ৱারীমচাদগী লৌথোকপনো?
৪। এম কে বিনোদিনীগী 'অশংবা নোংজাবী' ইংরাজিদা হন্দোকখ্রে। কনানা হন্দোকপনো?
৫। নৈন-ৱারেং 'চোইজাইনবা ৱারেং' কনানা ইবনো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।